# য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা হাংদোরক্লবা তৌরিবা সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সিদদি হোক্কি য়াওহন্নবা হোৎনহৌসি



কে ঐচ প্রিয়োকুমার
*(হোক্কি-ষ্টেট কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

অদুগা, হোক্কি হায়বা গেম অসিদি ঐখোয়নসু মতম চুপ্পদা ফগৎহন্ননবা হোৎনগদবনি। মরমদি করিগীনো হায়বদা হোক্কি অসি ইন্দিয়াগীদি নেসনল গেমনি। থোইদোক্লা নিংশিংবা য়াবা অমনা কুমজা ১৯২৮দা তৌখিবা অমষ্টরদাম ওলিম্পিক গেমসতগী হৌরগা থংন-থংননা চহী মঙা চুপ্পা মেলবোর্ন ওলিম্পিক গেমস কুমজা ১৯৫৬ ফাওবা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমনা সনাগী মেদল লৌরকখিবনি। মরক্তা পাকিস্তাননা কুমজা ১৯৬০গী মতমসিদা রোমদা তৌখিবা অসিদদি ৱিন্নর ওইরগা ইন্দিয়ানা রন্নর্সঅপ তারকখিবনি। ইন্দিয়া পাকিস্তান অসি ফাইনেলদা চেম্পিয়ন মুন্নবা অসিসু কুমজা ১৯৬০ মতমদগী হৌরকখিবনি। অদুবু টোকিও ওলিম্পিক গেমস কুমজা ১৯৬৪, মোস্কো ওলিম্পিক গেমস কুমজা ১৯৮০ দদি ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম গোল্ড মেদল ফংলকখিবনি। গ্রাসকী ফিল্ডদা শান্নরিঙৈ মতমদদি ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোয়শিং অফবা পর্ফোমেন্স পীদুনা শান্নবা ঙম্লম্মী। অদুবু ষ্ট্রো টর্ফ ফিল্ডদা শান্নরকখিবদগীদি খরা খুৎলোইবা ৱাৎপদগী দাওন্দ লাকখি। চহী খরদি ইন্দিয়াগী হোক্কিসি খরা শোত্থরুর। অদুবু হোক্কি ফেদরেসনগী কাংবুনা কন্না হোৎনরকপদগী খরগী মখৈ ফগৎলকখি। ফোরেন কোচশিং কৌদুনা ট্রেনিং পীহনবা, ফিজিকেল কন্দিসননিং তৌহনবা, তোঙান তোঙানবা এক্সপার্ট কয়া কৌদুনা তাকহনবা, স্পোর্ট সাইকোলোজিগী ভিদিও এন্নলাইসিসকী হীরম কয়াগী অখঙ-অহৈ ময়ামগা লোয়ননা হোৎনরকপদগী ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম তপ্না তপ্না ফগৎলকখি। ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দতা রেঙ্ক থ্রি/ফোরদা লৈবা ঙম্লক্লে। ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়না থাক খঙহন হন্থখ্রিবসি করিদগীনো হায়বদু হৌজিক্তি ময়েক শেংনা পুথোকপা ঙম্লে। মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা হায়বসি অদুম লাকই। হায়রিবা অহোংবশিং অসিগা চাননা চৎমিন্নবা ঙমহৌদ্রবদি মতম অমদা ফনা ফরল্লবসু অদুমক হাইথরক্কনি। মালেমগী ওইনা স্পোর্টকী কম্পিটিসন অসিসু অমরোমদদি অচৌবা লানফম অমনি। তৌবতবু, অকক্লবা রুল অমগী মখাদা থেংনবা লানফম ওইবগী ৱানি।

মণিপুরগী ওইবা ৱাফমদা অমুক লাকচরবদা, মণিপুরগী হোক্কি টিমসি মতম অমদদি জুনিয়রদা, সব-জুনিয়রদা চেম্পিয়ন লৌবা ঙম্বসু য়াওখ্রে। সিনিয়রদদি খরা অদুম ৱাই। জুনিয়রসিদদি চেম্পিয়নমক



লৌরক্লগসু, ফাইনেলদি য়ৌবা অদুগুম্বা খরদি লৈখি। কুমজা ১৯৮৫ দগীনা কুমজা ২০০০ খরা হেনবা মতম স্বাইসিফাওবদদি ফরম্মী। কুমজা ২০০৫ দা ঐখোয়গী অঙাংশিং, সব-জুনিয়র নেসনলদা ফাইনেল লৌখি। ফাইনেলদা মণিপুর টিমগা থেংনখিবসি, পঞ্জাবকনি। অহানবা ফর্ষ্ট হাফতা পঞ্জাবনা ২-১ দা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি। অদুবু, সেকেন্দ হাফতদি খরা স্পিদ লৈনা ঐখোয়গী অঙাংশিংনা কন্না শান্নরকপদগী ৩-২ দা থোইরগা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। কুমজা ২০০৫ গী মতমসি, থা অমা মখায়রোম খুমন লম্পাক্তা রিসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প পাঙথোক্তুনা ট্রেনিংসু তৌখিবনি। মতম খরা ট্রেনিং তৌখিবদুগী কান্নবসু লৈখি।

গুৱাহাতিদা কুমজা ২০০৯ দা তৌখিবা জুনিয়র নেসনলদসু মণিপুরগী নুপীমচা টিমগা পেপসুগা জোইন ৱিন্নর ওইমিন্নখি। হায়রিবা মতমদুদা ষ্টেটসিগী মমিং লৈবা নুপীমচা শান্নরোয় ময়াম অমসু য়াওখি। সুরজলতা, শঙ্গাই, ইনাওচা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

.... মখোয়সু য়াওনা শান্নখি। সিগী মতুংদগীদি, ইন্দিয়াগী মফম খরদা হাংদোক্লরকখিবা হোক্কিগী একাদমিদা ঐখোয়গী নুপীমচা/নুপামচা শান্নরোয় ময়াম অমা মথং মথং হাইদোক্লখ্রে। ফেসিলিটি খরা হেন্না লৈবা মফমদা ট্রেনিং তৌবা পাম্ন রকপনিনা লোইনা চৎনখিদুনা, মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি ময়েং খঙতা তারকপা হায়বদু ওইখি। লক্ষৌদা, দেল্লিদা, ভোপালদা লৈবা একাদমিদা লৈখিবা ঐখোয়গী অঙাংশিং মখোয় মখোয়না লৈখিবা ষ্টেটতুগী মমিংদসু নেসনল শান্নরকখি। অদুনদি, মণিপুরগীসু হোকিগী একাদমি অমা হাঙবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবনি। হোকিগী একাদমিদি ষ্টেটসিদা শোইদনা লীঙনবা হোৎনহৌগদবনি।

কুমজা ২০০৭ তা লীঙখৎখিবা নেসনল স্পোর্টস একাদমিদা হোকি য়াওহৌদবা তারগসু, ইকুই কুইদনা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজেজুনা সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সি খরা হাঙদোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা হোক্কি য়াওহৌনবা হোৎনমিন্নসি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু হোকিদা অখন্নবা মীৎয়েং খরদি থম্বীয়ু।

ওলেম্পিক্তা মীৎয়েং থম্বা মশান্নশিংগী মনুংদা হোকিসু য়াওহনবীয়ু। মশান্না অসি নাথৈরগা থম্বীরগনু। হোক্কিগী শান্নরোয়দি, মণিপুরদগী শেন্বদা শোইদনসু মায় পাক্কনি। মণিপুরীগী এনাটোমি, বোদি ষ্ট্রকচর, ষ্টেমিনা অসি হোক্কিগদি খ্বাইদগী চানবনি। হোক্কিগী একাদমি অমা হাঙদোরক্লবা, সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সি অমা অথুবা মতমদা থম্বীরকপা তারগদি লাক্কদৌরিবা মথংগী ওলেম্পিকশিংদা অফবা পর্ফোমেন্স পীদনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়র খরদি শোয়দনা পুথোকপা ঙমগনি। মণিপুরগী ওইনা থৌবাল, বিষেনপুর অসিসু মতম অমদদি হোক্কি শান্নরোয় মরাং কায়না পুথোক্লম্বা মফমশিংনি। শান্নফম মতিক চানা শেমবীখিদবা, অকনবা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপদগী তপ্না তপ্না শিথখিবনি। অদুবু হৌজিকসু দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হোক্কিদা থৱায় য়াওবা মফমশিং অসিদা মতমসিগা চানবা গ্রাউন্দশিং শেমগৎতুনা হোৎনরক্লগদি শান্নরোয় খরদি শোয়দনা পুথোকপা য়াগনি। হোক্কিদি ঐখোয় পুন্নমক্লা কন্ননবা হোৎনগদবনি। মণিপুর মচানা ওলেম্পিক্তা খোঙ কানশিনবা ঙম্বা গেমশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা লৈরিবা মশান্নাসি হোক্কিনি হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। মথং...মথং...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৩

১) মহাক ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক হভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা "International Socialism and Schumann Plan" কৌবা থেসিস অমদা রিছার্স তৌখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

২) ওলিম্পিক গেমসকী আইস হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি মেচ তরুক শান্নবদা তরুকমক পোখি। মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে, ফিনলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১৪-১দা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অমা চনখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌবগে?



৩) অমুতোম্বী সিংহ, মনিরতন সিংহ, প্রেমকান্ত সিংহ, জোতিমোয় রোয়, ধনেন্দ্র সিংহ, শান্তিকুমার সিংহ। পীরিবা ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মান্নদবা অমা খন্দোকউ।

৪) মিটর ১০০গী লমজেল তান্নবদা নুপা অসিনা ফার্স্ত তারিবা লমজেলোয় অদুগী মতম (তাইমিং) লৌই। অহানবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৩নি। অনিশুবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৪নি। করম্বা নুপানা পাইরিবা ঘরিগী মতমনা ওফিসিয়েল তাইমিং (Timing) ওইগনি।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানি অমসুং অদিত্যা মহতানা ৱর্ল্ড টিম স্নুকর পেয়রগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর২৬(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী সিটি বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়নশিপ্তা য়ুম্বু লৈবাক অসিগী শান্নরোয় অনী পনকজ অদবানি অমসুং অদিত্যা মহতানা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী পেয়র পনকজ অদবানি অমসুং অত্যিা মহতানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইন্টর্নেসনল বিল্লির্দস এন্দ স্নুকর ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড স্নুকর টিম ইভেন্টকী ফাইনেলদা থাইলেন্দগী পেয়রগা অকনবা তৌনদুনা টাইটল ফঙনবা হোৎনখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা ফ্রেমদা ইন্দিয়াগী পেয়র এদভানি অমসুং মহতানা থাইলেন্দগী পেয়র অদুবু পোইন্ট ৬৫-৩১দা থোইখি। অনীশুবা ফ্রেমদা থাইলেন্দগী পেয়র অদুনা ফজবা হেনখিবদগী ইন্দিয়াগী পেয়র অদুবু পোইন্ট ৬৯-৯দা থোইদুনা ফ্রেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা ফ্রেমদা ইন্দিয়াগী



পনকজ অমসুং মহতনা থাইলেন্দগী পেয়র অদুবু পোইন্ট ৭৪-৮তা থোইদুনা ফ্রেম ২-১দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

৪শুবা ফ্রেমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফজরম্লবসু থাইলেন্দগী পেয়র অদুনা পোইন্ট ৬৪-২১দা থোইদুনা ফ্রেম ২-২ মান্নদুনা লৈখি।

৫শুবা ফ্রেম অদু চেম্পিয়নশিপ অদুগী টাইটল লৌননবগীদমক্তা লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দগী পেয়র অনী ফ্রেম ২-২ থোইনদুনা লৈখিবা মরম্না য়াম্না মরু ওইবা ফ্রেম ওইখি।

ইন্দিয়াগী পনকজ অমসুং মহতানা ৫শুবা ফ্রেম অদু য়াম্না নক্লবা স্কোরদা পোইন্ট ৫৫-৪৪দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা ফ্রেম ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তাবা ফাইনেল মেচ অদুগী শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা থাইলেন্দগী পেয়র অদুবু ৭২-২৩, ৮৩-৯দা ফ্রেম ২ থংনা থংননা থোইবা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

# এসিয়ন এজ গ্রুপ স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী ৯শুবা গোল্ড ফংখ্রে



বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর২৬(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কর্নাটাকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকপা ১০ শুবা এসিয়ন এজ গ্রুপ স্বিমিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৪X১০০ মেদলে রিলেদা গোল্ড মেদল ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৯শুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরু সিটিদা লৈবা পদুকোন-দ্রাবিদ সেন্টর ওফ স্পোর্টর্স এক্সিলেন্সতা পাঙথোক্লিবা ১০ রক শুবা এসিয়ন এজ গ্রুপ চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপাগী মিটর ৪X১০০ মেদলে রিলেদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী স্বিমর স্রিহরি নতরাজ, সাজন প্রকাস, লিকিথ, এস পি অমসুং ভিরধৱল খাদেনা কম্পিটিসন অদু মিনট ৩:৪৬.৪৯দা য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

থাইলেন্দগী টিমনা মিনট ৩:৪৮.৮৯দা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রগা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা মিনট ৩:৫৩.৯৯দা হোংকোংগী টিমনা লৌবা ঙমখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী নুপাগী মিটর ৪X১০০ মেদলে রিলে কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৯লক শুবা গোল্ড মেদল অদু ওইরিবনি।

১০শুবা এসিয়ন এজ গ্রুপ স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী নুপাগী মিটর ৪X১০০ মেদলে রিলে চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াবু লম্বা পীখিবা থাইলেন্দ অমসুং হোং কোংগী স্বিমরশিংনা লম্বা পীবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌখি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় পরুপলি কস্যাপ কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

ইঞ্চিওন, সেপ্টেম্বর২৬(এজেন্সী)ঃ

কোরিয়াগী সিটি ইঞ্চিওনদা লৈবা এয়রপোর্ট স্কাইদোমদা পাঙথোক্লিবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কস্যাপ অনিশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কস্যাপনা ঙসি শান্নখিবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ২শুবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় দরেন লিয়ুগা লম্বা তৌনবদা মিনট ৫৬চঙনা শান্নরবা মতুং গেম২-১দা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী কস্যপ অমসুং মলেসিয়াগী দরেননা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী কস্যপনা পোইন্ট ২১-১৭দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় দরেন লিয়ুনা য়াম্না ফজবা মওংদা মহাক্কী মশান্না অদু পুখৎলকপদগী ইন্দিয়াগী পরুপলি কস্যপনা ২১-১১দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা গেম অমমম থোইনখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পরুপলি কস্যপনা মলেসিয়াগী দরেন লিয়ুবু ২১-১২তা য়াম্না হেন্না মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



পরুপলি কস্যপনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি গিনতিংবু ১৭-২১, ২১-১৬, ২১-১৩দা থোইবা ঙমখিবা দেনমার্ককী জান ও জোর্গেনসেনগা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতানা মহাক্কী ২শুবা রাউন্দগী মেচতা সাউথ কোরিয়াগী কিম দো হেবু য়াম্না কোম্না ২১-১২, ২১-৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেনবু ২১-১৮, ২১-১৬দা থোইরম্বা মলেসিয়াগী লি জৌ জেগা থেংনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গসল কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী জেনাথন খৃষ্টিনা ঙসি শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দগী মেচতা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদপপু ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-৮, ২২-২০দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় দেনমার্ককী এ এন্টোমসেনবু ২১-১৫, ২১-৬তা থোইরম্বা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং টি ৱৈগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অনী অদুদি চাইনিজ টাইপৈগী টুর্নামেন্ট অসিদা ২শুবা সিদেদ ওইরিবা চৌ তিয়েন চেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এস ঐচ রুষ্টাভিটোনি।

চৌ তিয়েন চেননা মহাক্কী ২শুবা রাউন্দ মেচতা জপানগী কে নিসিমোটোবু ২১-১০, ১৬-২১, ২১-১৪দা থোইরমখি। অদুগা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইগদৌরিবা রুষ্টাভিটোনা মহাক্কী ২শুবা রাউন্দ মেচতা চাইনাগী শান্নরোয় লু গুইবু ২১-১৫, ২১-১৩দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ২শুবা সিদেদ ওইরিবী চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় হি বিংজিয়াওগা শান্নরগনি। ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা ইন্দোনেসিয়াগী জি এম তুনগুংগা শান্নগদৌরি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী নাওমি ওকোহারানা কানাদাগী মিসল লিগা লম্বা তৌনগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা জপানগী এস তকাহাসিগা শান্নরগনি।

# লা লিগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা ওসাসুনা থোইখ্রে, সেরি এদা কাগ্লিয়ারিনা নাপোলিবু মায়থীবা পীখ্রে, অদুগা লিগে ১দা পেরিস সেন্ট জর্মেন মায়থীহৌরে

বর্সেলোনা, সেপ্টেম্বর২৬(এজেন্সী)ঃ

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চত্থরিবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা স্পেনগী লা লিগাদা মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে। ইটালিগী মকোক থোংবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী মেচ অমদা কাগ্লিয়ারিনা নাপোলিবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ফ্রান্সকী লিগে ১দা মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেন রৈমসনা থোইখ্রে।

স্পেনগী সিটি বর্সেলোনাদা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লিগাগী মেচ অমদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদনা ওসাসুনা ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-০দা



থোইদুনা লিগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ওসাসুনাগী মেচ অদুদা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদা শরুক য়ারিবা নহা ওইরিবা ভিনিসিয়স জুনিয়র অমসুং রোদ্রিগো গোসনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অনীমক চনবা ঙমখি। রিয়েল মাদ্রিদনা রৈমসপু মায়থীবা পীখিবা মেচ অদুদা পোইন্ট ৩ ফংদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ইটালিগী সেরি এগী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব নাপোলিবু কাগ্লিয়ারিনা ১-০দা মায়থীবা পীখি। কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী নাপোলিগা শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর নাহিদন নন্দেজনা পীরকপা ক্রোস অমদা লুকাস কেষ্ট্রোনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপা ঙমখিবনি। লিগ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা ফ্যুরেন্টিনা ক্লবনা সামদোরিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লিগে ১ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ক্লব অসিগী হোম গ্রাউন্দদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লিগ মেচ অমদা রৈমস টিমনা পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা পি এস জি ক্লবকী ওইবা থা ১৬ মায় পাক্তুনা লাকখিবা রেকোর্দ অদু ঙরাং রৈমসনা থুগাইবা ঙমখি। মেচ মায়থীখ্রবসু পোইন্ট টেবলদা পি এস জিনা মাংজিল থারি।

# নোর্থ কোরিয়া অমসুং জপান চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ৱুমেন্স টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর২৬(এজেন্সী)ঃ

এসিয়াগী থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৬ মখাগী নুপীগী চেম্পিয়নশিপ্তা নোর্থ কোরিয়া অমসুং জপানগী টিম মখোয় মখোয়গী গ্রুপশিংদা মায় পাকপা ঙমদুনা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০২০গীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

মথংগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱুমেন্স য়ু-১৭ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অদুগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট ওইনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। অমরোমদা জপানগী টিমনা চাইনাগী টিমবু





পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি। মদুগীদমক্তা এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াদুনা ফিফাগী মেন টুর্নামেন্ট অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং জপানগী টিম ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা মায়োক্লবা টিমবু মায়থীবা পীদুনা য়ু ১৭ ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।